# সর্ভিসেসকী চোংথাম বিস্বমিত্রা প্রি ক্বার্টর য়ৌখ্রে



সোনিপট, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): হরয়ানাগী সোনিপট সিটিদা লৈবা দেল্লি পব্লিক স্কুলগী বোক্সিং এরিনাদা চথরিবা য়ুঠ নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী বোক্সর মণিপুর মচা চোংথাম বিস্বমিত্রা কিলোগ্রাম ৫১গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বিস্বমিত্রানা ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী নীনি শুবা নুমীৎতা নুপাগী কিলোগ্রাম ৫১গী অহানবা রাউন্দদা মণিপুরগী বোক্সর পুখ্রম্বম জেক্সনগা লম্বা তৌনবদা জজ মঙাগী মায়কৈদগী রাউন্দশিং অদুদা মহাক্কী ফেভরদা পোইন্টশিং অদু মশীং হেন্না পীখিবা মরম্না স্কোর ৫-০দা মায় পাক্লগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, চোংথাম বিস্বমিত্রা মমাংদা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী সিনিয়র বোক্সিংগী ষ্টেজদা য়ৌরক্লবা কন্না শেম শারিবা বোক্সর অমনি। টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী অতোপ্পা বোক্সর দেল্লিগী হিমান্সু রাৱট অমসুং লক্সেনা মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিদা মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মোনিকা মালিকনা মহারাষ্ট্রগী সনধীয়া মোরেবু কিলোগ্রাম ৫০গী কেটগোরিদা স্কোর ৫-২দা মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিনা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৭ তগী ৩১ ফাওবা দুবাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এস বি সী য়ুঠ এন্দ জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সেলেক্সনসু ওইগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়াগী অনন্দনা স্পার্কাসেন চেছ ট্রোফি টাইটল লৌখ্রে

দোর্টমুন্দ, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): জর্মনিগী সিটি দোর্টমুন্দদা পাঙথোকপা নো কাস্লিং স্পার্কাসেন ট্রোফি চেছ টুর্নামেন্টতা রসিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ভ্লাদিমির ক্রামনিককা ৪শুবা রাউন্দদা দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন ওইরম্লবা গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দনা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী মখাদা মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা চেছ মশান্নগী কাঙলোনশিং অদুদগী খরা নাথৈরগা কাস্লিং তৌদনা শান্নবা ফোর্মেট অমা ওইরি। ঙরাং ফাওবদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বিস্বানাথন অনন্দনা রসিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ভ্লাদিমির ক্রামনিকপু গেম ৩ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখিবনি।

পনবা য়াই, শান্নরোয় অনীগী অহানবা গেম অদু বিস্বানাথন অনন্দনা মায় পাকখি। মদুগী মতুং লম্বা তৌনখিবা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদু দ্রো চৎখিবদগী অনন্দনা পোইন্ট ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা



মরিশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা অনন্দনা অঙৌবা মচু পায়দুনা টরাস ভেরিএসন ফোর্মেট শীজিন্নরকখি। গেম অদুদা রসিয়াগী শান্নরোয় ভ্লাদিমির ক্রামনিকনা কন্না হোৎনদুনা শোথখিবা পোইন্ট অদু ফুগৎনবা হোৎনবদা মায় পাক্তবা য়াখিদবনি। অদুবু অনন্দগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেকশিং অদুনা ক্রামনিককী মায়কৈদগী লাকশিনবা ঙমদনা গেম অদুগী মুভ ৪০ শুরকপদা দ্রো চৎপদা য়ানখিবদগী বিস্বানাথন অনন্দনা নো কাস্লিং স্পার্কাসেন চেছ ট্রোফি অদুগী টাইটল অদু ক্রামনিকপু গেম ৪দা পোইন্ট ২.৫-১.৫দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

# বেঙ্গলুরু এফ সী মালদিভসকী ইগল এফ সীগা লম্বা তৌনরগনি

ক্বালা লুম্পুর, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্লে ওফ মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গলুরু এফ সীনা মালদিভসকী ক্লব ইগল এফ সীগা ওগষ্ট ১৫দা শান্নরগনি হায়না কনফিদরেসন অসিগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরক্লি।

বেঙ্গলুরু এফ সী কুমজা ২০১৬কী এ এফ সী কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাখিবনি। মখোয়না কুমজা ২০২১গী ওইনা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক্তা প্লে ওফ মেটচ অদু মালদিভসকী ইগল এফ সীগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। গ্রুপ দিদা লৈরিবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি ইন্দিয়াগী ওইনা নৌনা ক্বালিফাই ওইরকখিবা এ টি কে মোহন বগান এফ সী, মালদিভসকী অতোপ্পা ক্লব মাজিয়া স্পোর্টস এন্দ রিক্রিএসন অমদি বাংলাদেশকী ফুটবোল ফেদরেসন কপগী ৱিন্নর ওইরিবা ক্লব বসুনধারা কিংসনি।

বেঙ্গলুরু এফ সী অমসুং ইগল এফ সীগা ওগষ্ট ১৫দা শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুগী অথোইবা ক্লব অদুনা গ্রুপ দিদা এ টি কে মোহন বগান, বসুনধারা কিংস অমসুং মাজিয়াগা মখা তানা ক্বালিফায়িং মেটচশিং অদু শান্নগদৌরি।

গ্রুপ দিগী মেটচশিংদা ফজবা ঙমদুনা মায় পাক্লকপা ক্লব অদুনা এ এফ সী কপ গ্রুপ ষ্টেজ (সাউথ)কী মকোক ওইদুনা মখা তারকপা এ এফ সী কপ ২০২১গী সিঙ্গল লেগ ওইবা ইন্টরজোনেল সেমীফাইনেল অদুদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, চহী অসিগী মে থাদা বেঙ্গলুরু এফ সী অমসুং মালদিভসকী ইগল এফ সী শান্নগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী লৈরিবা চৈথেং অসিনা মরম ওইরগা য়েথোক্তুনা লাকখি। মসিগী অচৌবা মরমদি বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অহুম কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী মালদিভসকী ইগল এফ সীগা শান্নরমগদবা মেটচ অদু প্রোটোকোলগী মতুংইন্না মখা চত্থবা য়াখিদবনি। মালদিভসকী স্পোর্টস মিনিষ্টর মাহলুফনা বেঙ্গলুরু এফ সীগী টিম অদুবু লৈবাক অদুদগী হনখিনবা খঙহনবা লৈখি।

# Full fixture of Indian athletes at Tokyo 2020

## ARCHERY

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 23 | Women's Individual Rankings Round | Deepika Kumari | From 5:30 am |
| | Men's Individual Ranking Round | Atanu Das, Pravin Jadhav and Tarundeep Rai | From 9:30 am |
| July 24 | Mixed Team 1/8 Eliminations | Atanu Das, Deepika Kumari | From 6 am |
| | Mixed Team Quarterfinal | | From 10:45 am |
| | Mixed Team Semi-final | | From 12 pm |
| | Mixed Team Medal Matches | | From 12:55 pm |
| July 26 | Men's Team 1/8 Elimination | Atanu Das, Pravin Jadhav, Tarundeep Rai | From 6 am |
| | Men's Team Quarter-final | | From 11 am |
| | Men's Team Semi-final | | From 11:47 am |
| | Men's Team Medal Matches | | From 12:45 pm |
| July 27 to July 30 | Men's and Women's Individual Elimination, Quarter-final, semi-final and Medal Matches | Deepika Kumari, Atanu Das, Pravin Jadhav and Tarundeep Rai | |

## ARTISTIC GYMNASTICS

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 25 | Women's Artistic Gymnastics Qualification | Praniti Nayak | From 6:30 am |
| July 29 to Aug 3 | Women's Artistic Gymnastics All-round and events final | | |

## ATHLETICS

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 30 | Men's 3000m Steeplechase Heats | Avinash Sable | From 5:30 am |
| | Men's 400m Hurdles Round 1 | MP Jabir | From 7:25 am |
| | Women's 100m Round 1 | Dutee Chand | From 8:10 am |
| | Mixed 4x400m relay Round 1 | Alex Antony, Sarthak Bhambri, Revathi Veeramani, Subha Venkatesan | From 4:30 pm |
| July 31 | Women's Discus Throw Qualification | Seema Punia, Kamalpreet Kaur | 6 am |
| | Men's Long Jump Qualification | M Sreeshankar | 3:40 pm |
| | Mixed 4x400m Relay Final | Alex Antony, Sarthak Bhambri, Revathi Veeramani, Subha Venkatesan (if qualifies) | 6:05 pm |
| | Women's 100 Semi-final and Final | Dutee Chand (if qualifies) | 6:20 pm |
| Aug 2 | Men's Long Jump Final | M Sreeshankar (if qualifies) | 7:20 am |
| | Women's 200m Round 1 | Dutee Chand | 7:30 am |
| | Women's Discus Throw Final | Seema Punia, Kamalpreet Kaur | 5:30 pm |
| | Men's 3000m Steeplechase Final | Avinash Sable (If qualifies) | 5:45 pm |
| Aug 3 | Women's Javelin Throw Qualification | Annu Rani | From 5:50 am |
| | Men's 400m Hurdles Final | MB Jabir (if Qualifies) | 8:50 am |
| | Men's Shot Put Qualification | Tajinder Singh Toor | 3:45 pm |
| | Women's 200m Final | Dutee Chand (if Qualifies) | 6:20 pm |
| Aug 4 | Men's Javelin Throw Qualification | Neeraj Chopra, Shivpal Singh | 5:35 am |
| Aug 5 | Men's 20 km Race Walk Final | KT Irfan, Sandeep Kumar, Rahul | 1 pm |
| Aug 6 | Men's 50 km Race Walk Final | Gurpreet Singh | 2 am |
| | Women's 20 km Race Walk Final | Bhawna Jat, Priyanka | 1 pm |
| | Men's 4x400m Relay Round 1 | Amoj Jacob, P Naganathan, Arokia Rajiv, Noah Nirmal Tom, Md Anas Yahiya | 4:55 pm |
| | Women's Javelin Throw Final | Annu Rani (If Qualifies) | 5:20 pm |
| Aug 7 | Men's Javelin Throw Final | Neeraj Chopra, Shivpal Singh (If Qualifies) | 4:30 pm |
| | Men's 4x400 m Relay Final | Amoj Jacob, P Naganathan, Arokia Rajiv, Noah Nirmal Tom, Muhammed Anas Yahiya (If Qualify) | 6:20 pm |

## BADMINTON

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 24 | Men's Doubles Group Stage | Satwiksairaj Rankireddy/ Chirag Shetty vs Lee Yang/Wang Chi-Lin | 8:50 am |
| | Men's Singles Group Stage | Sai Praneeth vs Zilberman Misha | 9:30 am |
| July 25 | Women's Singles Group Stage | PV Sindhu vs Polikarpova Ksenia | 6:40 am |
| July 26 to 29 | All events - Group Stage Matches | PV Sindhu, Sai Praneeth, Satwiksairaj Rankireddy/ Chirag Shetty | From 5:30 am |
| | Men's Doubles Quarter-finals | Satwiksairaj Rankireddy/ Chirag Shetty (If Qualify) | From 5:30 am |
| July 30 | Men's singles, Women's Singles Round of 16 | Sai Praneeth, PV Sindhu (If Qualify) | From 5:30 am |
| July 31 | Men's Doubles Semi-finals | Satwiksairaj Rankireddy/ Chirag Shetty (if Qualify) | From 5:30 am |
| | Women's Singles Quarter-finals | PV Sindhu (If Qualifies) | 2:30 pm |
| Aug 1 | Men's Singles quarter-finals | Sai Praneeth (If Qualifies) | 9:30 am |
| | Men's Doubles Bronze Medal Match | Satwiksairaj Rankireddy/ Chirag Shetty (if Qualify) | 5 pm |
| Aug 2 | Men's singles Semi-final, Women's Singles Final, Men's Doubles Gold Medal Matches | PV Sindhu, Sai Praneeth, Satwiksairaj Rankireddy/ Chirag Shetty (If Qualify) | 9:30 am |
| | Men's Singles Finals | Sai Praneeth (if Qualifies) | 5:30 pm |

## BOXING

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 23 | Women's Welterweight Round of 32 | Lovlina Borgohain | From 7:30 am |
| | Men's Welterweight Round of 32 | Vikas Krishan Yadav | From 7:30 am |
| | Men's Super Heavyweight Round of 32 | Satish Kumar | From 1:30 pm |
| July 25 | Women's Flyweight Round of 32 | Mary Kom | From 7:30 am |
| | Women's Middleweight Round of 32 | Pooja Rani | From 7:30 am |
| | Men's Lightweight Round of 32 | Manish Kaushik | From 7:30 am |
| July 25 | Men's Flyweight Round of 32 | Amit Panghal | From 7:30 am |
| | Men's Middleweight Round of 32 | Ashish Kumar | From 7:30 am |
| July 27 | Women's Lightweight Round of 32 | Simranjit Kaur | From 7:30 am |
| July 28 to Aug 8 | All Categories - Round of 16, Final rounds and medal matches | IF Indian athletes Qualify | |

## EQUESTRIAN

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 30 | Eventing Individual Qualfiier | Fouaad Mirza | From 5 am |

## FENCING

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 26 | Women's Sabre Individual Table of 64 | CA Bhavani Devi | From 5:30 am |
| | Women's Sabre Individual Subsequent Rounds and Medal Matches | CA Bhavni Devi (If Qualifies) | From 6:25 am |

## GOLF

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 29 | Men's Individual Strokeplay Round 1 | Anirbhan Lahri, Udhayan Mane | From 4 am |
| July 30 | Round 2 | | From 4 am |
| July 31 | Round 3 | | From 4 am |
| August 1 | Round 4 - Medal Round | | From 4 am |
| August 4 | Women's Individual Strokeplay Round 1 | Aditi Ashok | From 4 am |
| August 5 | Round 2 | | From 4 am |
| August 6 | Round 3 | | From 4 am |
| August 7 | Round 4 - Medal Round | | From 4 am |

## HOCKEY

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 24 | Men's Pool A | India vs New Zealand | 6:30 am |
| | Women's Pool A | India vs Netherlands | 4:15 pm |
| July 25 | Men's Pool A | India vs Australia | 3 pm |
| July 26 | Women's Pool A | India vs Germany | 5:45 pm |
| July 27 | Men's Pool A | India vs Spain | 6:30 am |
| July 28 | Women's Pool A | India vs Great Britain | 6:30 am |
| July 29 | Men's Pool A | India vs Argentina | 6 am |
| July 30 | Women's Pool A | India vs ireland | 8:15 am |
| July 30 | Men's Pool A | India vs Japan | 3 pm |
| July 31 | Women's Pool A | India vs South Africa | 8:45 am |
| August 1 | Men's Quarter-final | If Qualifies | From 6 am |
| August 2 | Women's Quarter-final | If Qualifies | From 6 am |
| August 3 | Men's Semi-final | If Qualifies | From 7 am |
| August 4 | Women's Semi-final | If Qualifies | From 7 am |
| August 5 | Men's Medal Matches | If Qualifies | From 7 am and 3:30 pm |
| August 6 | Women's Medal Matches | If Qualifies | From 7 am and 3:30 pm |

## JUDO

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 24 | Women's 48 kg Round of 32 | And successive rounds Sushila Devi Likmabam | 7:30 am |
| July 25 | Women's 48 kg medal matches | Sushila Devi Likmabam (If Qualifies) | |

## SHOOTING

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 24 | Women's 10m Air Rifle Qualification | Elavenil Valarivan, Apurvi Chandela | 5 am |
| | Men's 10m Air Pistol Qualification | Saurabh Chaudhary, Abhishek Verma | 9:30 am |
| | Women's 10m Air Rifle Final | If Qualify | 10:15 am |
| | Men's 10m Air Pistol Final | If Qualify | 12 pm |
| July 25 | Women's 10m Air Pistol Qualification | Manu Bhaker, Yashaswini Singh Deswal | 5:30 am |
| | Skeet Men's Qualification Day 1 | Angad vir Singh Bajwa, Mairaj Ahmed Khan | 6 am |
| | Women's 10m Air Pistol Final | If Qualify | 7:45 am |
| | Men's 10m Air Rifle Qualification | Deepak Kumar, Divyansh Singh Panwar | 9:30 am |
| | Men's 10m Air Rifle final | If Qualify | 12 pm |
| | Skeet Men's Qualification Day 2 | Angad vir Singh Bajwa, Mairaj Ahmed Khan | 6:30 am |
| | Skeet Men's final | If Qualify | 12:10 pm |
| July 26 | 10m Air Pistol Mixed Team Qualification | Saurabh Chaudhary/ Manu Bhaker, Abhishek Verma/ Yashaswini Singh Deswal | 5:30 am |
| | 10m Air Pistol Mixed Team Bronze and Gold Medal Matches | If Qualify | From 7:30 am |
| | 10m Air Rifle Mixed Team Qualification | Divyansh Singh Panwar/ Elavenil Valarivan, Deepak Kumar/ Anjum Moudgil | 9:45 am |
| | 10m Air Rifle Mixed Team Bronze and Gold Medal Matches | If Qualify | From 11:45 am |
| July 29 | Women's 25m Pistol Qualification Precision | Manu Bhaker, Rahi Sarnobat | 5:30 am |
| July 30 | Women's 25m Pistol Qualification Rapid | Manu Bhaker, Rahi Sarnobat | 5:30 am |
| | Women's 25m Pistol Final | If Qualify | 10:20 am |
| July 31 | Women's 50m Rifle 3 Position Qualification | Anjum Moudgil, Tejaswini Sawant | 8:30 am |
| | Women's 50 m Rifle 3 Position Final | If Qualify | 1:30 pm |
| August 2 | Men's 50m Rifle 3 Position Qualification | Sanjeev Rajput, Aishwary Pratap Singh Tomar | 7 am |
| | Men's 50m Rifle 3 Position Final | If qualify | 1:10 pm |

## SWIMMING

| Date | Event | Athletes | Time In IST |
|---|---|---|---|
| July 25 | Men's 100m Backstroke Heats | Srihari Nataraj | 3:30 pm |
| | Women's 100m Backstroke Heats | Maana Patel | 3:30 pm |
| | Men's 200m Freestyle Heats | Sajan Prakash | 4:12 pm |
| July 26 | Men's 200m Butterfly Heats | Sajan Prakash | 3:30 pm |
| July 29 | Men's 100m Butterfly Heats | Sajan Prakash | 4:10 pm |

## TABLE TENNIS

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 24-27 | Men's and Women's Singles Round 1, 2 and 3 | Sathiyan Gnanasekaran, Achantha Sharath Kamal, Manika Batra, Sutirtha Mukherjee | From 5:30 am |
| July 24 | Mixed Doubles Round of 16 | Sharath Kamal/Manika Batra | From 7:45 am |
| July 25 | Mixed Doubles quarter-final and Semi-final | If Qualifies | From 6:30 am |
| July 26 | Mixed Doubles Medal Matches | If Qualifies | From 5:30 pm |
| July 29 | Women's Singles Medal Matches | If Qualify | From 5:30 pm |
| July 30 | Men's Singles Medal Matches | If Qualify | From 5:30 pm |

## TENNIS

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 24 to August 1 | Women's Doubles | Sania Mirza, Ankita Raina | |

## WEIGHTLIFTING

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| July 24 | Women's 49 Kg Group B | Saikhom Mirabai Chanu | 6:20 am |
| | Women's 49 Kg Medal Round | If Qualifies | 10:20 am |

## WRESTLING

| Date | Event | Athletes | Time in IST |
|---|---|---|---|
| August 3 | Women's Freestyle 62kg and Quarter-Finals | Sonam Malik | From 8 am |
| | Women's Freestyle 62kg Semi-final | If Qualifies | Later in the day |
| August 4 | Women's Freestyle 62kg Repechages | If Qualifies | From 7:30 am |
| | Women's Freestyle 62kg Medal Matches | If Qualifies | Later in the day |
| August 4 | Women's Freestyle 57kg and Quater-Finals | Anshu Malik | From 8 am |
| | Women's Freestyle 57kg Semi-finals | If qualifies | Later in the day |
| August 4 | Men's Freestyle 57kg 1/8 Finals and Quater-finals | Ravi Kumar Dahiya | From 8 am |
| | Men's Freestyle 57kg Semi-finals | If Qualifies | Later in the day |
| August 4 | Men's Freestyle 86kg 1/8 and Quatter-finals | Deepak Punia | From 8 am |
| | Men's Freestyle 86kg Semi-finals | If Qualifies | Later in the day |
| August 5 | Women's Freestyle 57kg Semi-finals, Men's Freestyle 57 kg, Women's Freestyle 86 Kg Repechages and Medal Matches | If Qualify | From 7:30 am |
| August 5 | Women's Freestyle 53kg 1/8 Finals and Quarter-finals | Vinesh Phogat | From 8 am |
| | Women's Freestyle 53kg Semi-finals | IF Qualify | Later in the day |
| August 6 | Women's Freestyle 53kg Repechages | If Qualify | From 7:30 am |
| | Women's Freestyle 53kg Medal Matches | If Qualify | Later in the day |
| August 6 | Men's Freestyle 65kg 1/8 Finals and Quarter-finals | Bajrang Punia | From 8 am |
| | Men's Freestyle 65kg Semi-finals | If Qualify | Later in the day |
| August 6 | Women's Freestyle 50kg 1/8 and Quater-finals | Seema Bisla | From 8 am |
| | Women's Freestyle 50kg Semi-final | If Qualifies | Later in the day |
| August 7 | Men's Freestyle 65kg Repechage and Medal Matches | If Bajrang Qualifies | From 7:30 and later in the day |
| August 7 | Women's Freestyle 50kg Repechage and Medal Matches | If Seema qualifies | From 7:30 and Later in the day |

# শান্নরোয় মঙাগী য়াইফ থৌনী মখা তানা পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯(ঐচ এন এস): ইরাই নুমীৎতগী হৌগদৌরিবা মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় মঙাগীদমক্তা মখা তানা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংগী মায়কৈদগী য়াইফ থৌনী পীরক্লি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না হোক্কী, বোক্সিং, ৱেথলিফটিং অমসুং জুদো মশান্নদা শরুক য়ারিবশিংগীদমক মায় পাকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌনীখি।

মীতৈ কাউন্সিল মোরেগী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী শান্নরোয় মঙাগীদমক্তা পূক্নিং থৌগৎপা ৱাহৈ ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিং টোকিও য়ৌদুনা মখোয়গী ইভেন্টশিংগীদমক শেম শাখ্রে

টোকিও, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী-দমক্তা মফম অদুদা থুংখ্রবা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী ওইবা শান্নবা হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা শেম-শাবগী খূদোংচাবা অদু শীজিন্নবা হৌখ্রে।

কুমজা ২০১৬কী ৱর্ল্ড জুনিয়র জেভলিন থ্রো চেম্পিয়ন অমদি এসিয়ন গেমস অমসুং কমনৱেল্থ গেমসকীসু চেম্পিয়নস ওইরিবা নিরজ চোপ্রানা ওলিম্পিক গেমসকী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী ওইবা অহানবা মেদল অদু লৌবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ট্রেনিং হৌখি। মিটর ৮৮.০৭ লংবা ঙমখিবা চোপ্রানা জর্মনিগী মিটর ৯০ লাপথোকপা ঙম্বা ভেটর, হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন রোলর অমদি ট্রিনিদার্দ এন্দ টোবেগোগী পোল মার্সেনগা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি।


ইন্দিয়াগী মেদলগী অচৌবা তাঞ্জা লৈরিবা আর্চরিগী মতৈ-মনাও অতানু দাস অমসুং দিপিকা কুমারীসু ঙসি টোকিওদা লৈবা য়ুমেনোসিমা পার্কতা প্রেক্টিস তৌবা হৌবগী খূদোংচাবা ফংখি। আর্চরি কম্পিটিসন অদু জুলাই ২৩গী অয়ূক্তগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দ হৌগদৌরিবনি।

জিম্নাষ্টিক্সতা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা এথলিট প্রনিটি নায়কনা মহাকসু টোকিও য়ৌদুনা মহাক্না শরুক য়াগদৌরিবা ইভেন্ট অদুগীদমক্তা মহাক্কী কোচকা লোয়নননা শেম শাবা হৌখ্রে হায়বগী ফোটোগ্রাফ থাগৎলক্লি।

ইন্দিয়াগী রোৱর অমসুং সেলরশিংনা ইরাই নুমীৎতগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা ঙরাং টোকিও বেদা লৈবা সী ফোরেষ্ট ৱাটর ৱেদা চীফ কোচ ইস্মাইল বেগনা লুচিংদুনা প্রেক্টিস সেসন পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়াগী ওইনা বোক্সিংদা মেদল ফংগনি হায়না কন্না পানরিবা অসিগী ইরোয়ননা টেক্নি-কেল ওফিসলগী মায়কৈদা ভেটরান ওইরবা ওফিসল লেনি দি'গামানা অমত্তা ঙাইরবা দিসিপ্লিন অসিগী মেম্বর ওইনা শরুক য়ারি। ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর ৫ অমসুং নুপী বোক্সর ৪না মেদলগীদমক হোৎনরিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 175

**Bodenschatz, Monique (350) - Weber, Julia (452)**

**DEM U12 Ueberlingen (9), 2000.06.09**

1.d4 d5 2.c4 dxc4 3.Nc3 Nc6 4.Nf3 Bg4
5.Bg5 h6 6.Bh4 g5 7.Bg3 f5 8.e3 Na5
9.Qa4+ c6 10.b4 b5 11.Qxa5 Qxa5 12.bxa5 e6
13.Rb1 b4 14.Na4 Bxf3 15.gxf3 c3 16.Bd3 h5
17.Be5 Rh6 18.Nc5 Bxc5 19.dxc5 Rd8 20.Bc2 Rd2
21.Rc1 Ne7 22.O-O Rg6 23.Bd6 g4 24.f4 h4
25.Rfd1 Re2 26.Rf1 g3 27.Bd1 Rxa2 28.Bh5 gxf2+
29.Kh1 b3 30.Bxe7 Kxe7 31.Bxg6 Kf6 32.Bh5...

**QUESTION :**

**Black to win**

**Puzzle 174 Ans. :**

19. ...Qd8 20. Qh6 Bh2+ 21. Kxh2 Qxd5 22. Ra3 Qxf5 23. Rg3+ Kh8 24. Qg7#Damiano's rook mate
20. Qh6 Bh2+ 21. Kxh2 Qxd5 22. Ra3 Ne6 23. Rg3+ Ng5 24. Rxg5+ fxg5 25.f6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com